HUEIYEN LANPAO

Monday, March 14, 2016, Imphal



# সিরিয়াগী পিছ টোক হৌদ্রিঙৈদা গভর্ণমেন্টগা ওপোজিসনগা মোত চাউনা খেন্নরে

বৈরুট, মার্চ ১৩ (এজেন্সী) ঃ

সিরিয়াদা বাশর অল-অশাদনা প্রসিদেন্ট ওইবা তোক্ত্রি ফাওবা পোলিটিকেল ত্রাঞ্জিসন হৌবা য়ারোই হায়না মরু ওইবা ওপোজিসন নিগোসিয়েটরনা ফোঙদোকপা লৈরিঙৈ তাল্লক্তা লৈবাক অদুগী রেজিমনা চয়োল অসিদা পিছ টোক চত্থবা মতমদা প্রসিদেন্সিগী মরাইবক্কী মরমদা খন্নবগী ৱাফম লৈরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নাকল অনীমক্তা ফোঙদোক্লরিবা ৱাফমশিং অদুনা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং শীংথাবা য়ানা হন্থহল্লিবা ফেব্রুৱারী ২৭তগী হৌখিবা সিজফায়রগী কান্নবা লৌনবা হোৎনরদুনা জিনেভাদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ৱারী শানবা মখা চত্থবা হৌনবা শেম-শারিবা দিপ্লোমেটশিংনা মায়োক্লরিবা শীংনবশিং অদু উৎলি হায়রি।

সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী ফোরন মিনিষ্টর ৱালিদ অল-মৌঅলেমনা মহাকী গভর্ণমেন্টনা জিনেভাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱারী শানবদুদা শোয়দনা য়াওগনি হায়না কনফার্ম তৌখি। তৌইগুম্বসুং ওপোজিসন্না শেরান্নবা ৱাখল অমদা লালদা পৱার পায়বদি ঙমদ্রগা জিনেভাদা পৱার পায়নবা হোৎনরক্লবদি ৱারীদু ফেল ওইগনি হায়খি।

ফোরন মিনিষ্টরনা য়ু এনগী অখন্নবা সিরিয়া পাউখোলোই ষ্টাফান দে মিষ্টুরাবুসু ৱারী শানবগী এজেন্দা হান্না পুথোকপগীদমক অমসুং থা ১৮গী মনুংদা প্রসিদেন্সিয়ল মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকপগীদমক্তসু ক্রিটিসাইজ তৌখি।




"এজেন্দাদা অসিগুম্বা ৱাফমশিং হৌদোক্ন বা হোৎনরকপা খূদিংমক গভর্ণমেন্টকী দেলিগেসন্না রিজেক্ট তৌগনি" হায়না মৌঅলেমনা টেলিভাইজ ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

"প্রসিদেন্সিগী পোজিসনগী মরমদা ৱা ঙাংলকপা খূদিংমক্তা ঐখোয়না ৱারী শানরোই। মসিনা মখোয়গী ৱাখল্লোন ওইরবদি মখোয় ৱারী শানবা লাক্তনবা ঐহাক্না মখোয়দা পাউতাক পীরি" হায়না মৌঅলেমনা ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা হায়খি।

মিনিষ্টরনা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবা মতুং ইকুই-কুইদবা মতমগী মনুংদা জিনেভাদা ৱারী শানবা য়াওনবা মাঙজৌননা থুংলদুনা লৈরিবা ওপোজিসনগী নিগোসিয়েটর মোহমদ অশৌশনা মৌঅলেমগী কম্মেন্টশিং অদু কান্নদবা ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখি।

"ত্রাঞ্জিসনগী মতম বাশর অল-অশাদনা তুরবা মতুং নৎত্রগা মহাক্না শিরবা মতুংদা হৌগনি হায়না ঐখোয়না খন্নে" হায়না মহাক্না পাউমীশিংদা হায়খি। রেজিম অসি লৈরিঙৈ নৎত্রগা রেজিম অসিগী মকোক্না সিরিয়াদা পৱার পায়দুনা লৈরিমখৈ ত্রাঞ্জিসনগী মতম হৌবা য়াবগী ওইথোকপা ফীভম উদে" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মোঞ্জর মাখৌঅম কৌবা অতোপ্পা নিগোসিয়েটর অমনা হায়খি, মৌঅলেমননা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিনা জিনেভাগী ৱারী হৌদ্রিঙৈদা লোইশিনবগী ফীভম লৈরে। ৱারী শানবা অদু মথং চয়োলদা তারিবা সিরিয়াগী লালগী মঙাশুবা কুমওনগসু চান্নরি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ২,৫০,০০০ হেন্না শিখ্রবা লাল অদুনা মালেমগী খ্বাইদগী শাথিবা রেফ্যুজি ক্রাইসিস থোকহনখি অমসুং আই এস আই এস মিলিটেন্ট গ্রুপপুসু হেন্না মশা মরেং ফনে দাকহনবগী খুদোংচাবা পীখি।

জিনেভাগী ৱারী শানবা অসি হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা রশিয়ানা অশাদপু শৌগৎলদুনা এয়র কেম্পেইন চত্থখিঙৈদগী ইহান হানবা ওইনা লৌখৎলকপা মরু ওইবা দিপ্লোমেটিক্কী খোঙথাংনি। রশিয়ন এয়র ফোর্সনা অশাদপু শৌগৎখিবদগী লাল অদু মহাক্কী অপাম্বা মায়কৈরোমদা হেন্না খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা দামাস্কাসনা নোংচুপলোম থংবা শরুকক্তা লম কয়া নৌনা অমুক লৌশিনবা ঙমখিবনি।

টর্কিশ বোর্দরগী মনাক য়াওনা মরু ওইবা ফ্রন্ট খরদা লাল মখা তানা চত্থদুনসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রশিয়ানা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা সিজফায়র অদু হান্না থাজনরম্বদগী হেন্না পাক শন্না ঈকায় খুম্নরকখি।

অলৌঅসকী হায় নিগোসিয়েসন্স কম্মিটি (ঐচ এন সী)না গভর্নেন্স, অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমসুং মীখল পাঙথোকপদা মীৎয়েং থম্বা দে মিষ্টুরানা হৌদোক্লিবা এজেন্দাবু থাগৎখি।

মুক্নবগী ফীভমদু থুনা লোইশিনখিবা য়ানবা কুমজা ২০১২দা থোকখিবা জিনেভাগী কম্যুনিকে অমদা ফোঙদোকখিবগুম্না ইগজিক্যুটিব পৱারশিং মপুং ফানা পীবা ত্রাঞ্জিসনেল গভর্নিং বোদি অমা শেম্বদা ঐচ এন সীনা ফোক্কস পীবা পামই।

## কেমিকল এটেক্তা অঙাং শিরে, মীওই ৬০০ শোক্লে

বাঘদাদ, মার্চ ১৩ (এজেন্সী) ঃ

ইরাক্কী নোদর্ন সিটি কির্কুককী মনাক্তা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা কেমিকল এটেক অনী চত্থদুনা চহী ৩ শুবদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা হাৎখ্রে অমসুং মীওই ৬০০ না শোকহনখ্রে লোয়ননা মীওই চা কয়াসু ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেনহনখ্রে হায়না ইরাক্কী ওফিসলশিংনা ঙসি হায়খ্রে।

"ফত্তবা টেররিষ্ট গেংশিং অসিনা টাজা সিটিদা চত্থরম্লিবশিং অসি চৈরাক ফংদনা নান্থোকহল্লোই" হায়না ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল-অবাদিনা ঙসি তাজাদা খুঙ্গংগী অহলশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মিটিং অমদা আই এস গ্রুপকী অতোপ্পা মিং অমা শীজিন্নরদুনা হায়খি।

"অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং চত্থরিবশিংনা মতুং তাবা শাথিবা ফল কয়া মায়োক্লগনি" হায়না অবাদিনা হায়খি। সিক্যুরিটি অমসুং হোস্পিটালগী ওফিসলশিংনা হায়খি, খ্বাইদগী নৌবা এটেক অদু অপীকপা টাউন তাজাদা ঙসি অঙনবদা চত্থরকখিবনি। নুমিৎ হুম্নিখক্কী মমাঙদসু টাউন অসিদা কেমিকল য়াওবা রোকেট ময়াম কাপশিল্লকখি।

## ইজরেলনা মালেমগী পৱারশিংদা ইরানবু চৈরাক পীনবা তকশিনখ্রে

জেরুসালম, মার্চ ১৩ (এজেন্সী) ঃ

হৌখিবা চয়োলদা বালেষ্টিক মিসাইল কয়ামরুম চাংয়েং তৌখিবগী-দমক্তা ইরানগী মথক্তা চৈরাক পীনবগী খোঙথাংশিং খুদক্তা লৌখৎনবা প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা মালেমগী পৱারশিংদা তকশিনখ্রে।

ইরানগী রিভোল্যুসনরি গার্দশিংনা পরিং নাইনা পাঙথোরকখিবা মিসাইল চাংয়েংশিংনা মালেমগী লৈবাকশিংবু নুংনাংবা পোকহনখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ফ্রান্স অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা করিগুম্বা কনফার্ম তৌবা তারবদি ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদশিং পুবা ঙম্বা বালেষ্টিক মিসাইলশিং চাংয়েং তৌরিবদু য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী রিজোল্যুসন ২২৩১ খোঙ্গাউনবা থোক্কনি হায়খি।

হৌখিবা জন্যুৱারী থাদা ইরানগী মথক্তা থম্লম্বা অথিংবা কয়া লৌথোকহনখিবা ইন্টরনেসনল দিল অদু প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহুনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি অমসুং মহাক্কী অদুগুম্বা ফিরেপ অদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগা মুক্ন বগী ফীভম ফাওবা লাকখি।

নেটনয়াহুগী ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, ইরানগা ন্যুক্লিয়ার দিল অদুবু নিগোসিয়েট তৌখিবা পৱারশিং-য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর মঙা অমসুং জর্ম্মনিদা থবক পায়খৎপা হৌ হায়না তকশিনহন্নবা মহাক্না ইজরেলি ফোরন মিনিষ্ট্রিদা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে।

"ইরাননা রোকেট টেক্নোলোজি অমসুং চাংয়েংগী মতাংদা লৈরিবা মালেমগী চৎন-পথাপশিংবু হঞ্জিন হঞ্জিন্না খোঙ্গাউনরিবসি য়েংদুনা মালেমগী পৱারশিং অসিনা লৈবাক অসিগী মথক্তা খুদক্তা চৈরাক পীনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি" হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি অমসুং মদুনা "পৱারশিং অসিনা ন্যুক্লিয়ার এগ্রীমেন্ট অদু নমদুনা চৎনহনবা ঙমগনি নৎত্রগা ঙম্লোই" হায়বগী চাংয়েং ওইগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

ইসু অসি মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী কন্সলটেসন্সতা পুখৎলগনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হায়খ্রে অমসুং লৈবাক অসিনা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা টেহরানগী মিসাইল প্রোগ্রামবু অরেম্বা তাহন্নবা অমগা অমগা কোওপরেসন পীননবা তকশিল্লি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা থাবা য়ু এসকী পাউখোল্লোই সমান্থা পৱারনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা হায়খি।

চৈরকসিদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হায়খ্রে মদুদি, ইরানগী মিসাইল চাংয়েংশিং অদুনা টহরান অমসুং মরু ওইবা পৱার তরুক্কী মরক্তা সাইন তৌনখিবা হিষ্টোরিক ওইরবা ন্যুক্লিয়ার দিলগী টর্মশিং খোঙ্গাউনবা লৈতে। মখোয়না (পৱারশিং অসিনা) কুমজা ২০১৫গী জুলাইদা সাইন তৌনখিবা রিজোল্যুসন ২২৩১বু শৌগৎলি। ইরানগী মথক্তা য়ু এননা মিসাইলগী অমসুং অতৈ খুৎলাইগী অথিংবশিং থম্বা হায়বসি ন্যুক্লিয়ার এগ্রীমেন্ট অদুগী শরুক নত্তে।

কাউন্সীলগী দিপ্লোমেটশিংনা হায়রি মদুদি, মখোয়না অহানবদা ইরাননা কাপখিবা মিসাইলশিং অদু ন্যুক্লিয়ার খুলাই পুবা ঙম্বরা নৎত্রগা ঙমদব্রা হায়বদুগী মতাংদা নেসনল ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংদগী কনফার্মেসন অমা ঙাইরি। ইরানগী মিসাইল প্রোগ্রামদা মখা তানা য়ু এনগী অথিংবা থম্বগী মায়োক্তা লৈবা রশিয়া অমসুং চাইনানা কাউন্সীলগী থবক্তা অপনবা পীরক্কনি হায়নসু দিপ্লোমেটশিংদুনা হায়রি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইরানগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ন্যুক্লিয়ার এগ্রীমেন্ট খোঙ্গাউনদে হায়খিবনি। ইরানিয়ন রিভোল্যুসনরি গার্দশিংগী সিনিয়র কম্মান্দর অমনা ইরানগী মিদিয়ম রেঞ্জ বালেষ্টিক মিসাইলশিং অদু ইজরেলদা হিট তৌবা ঙমগদবা মওংদা দিজাইন তৌবনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈরিবনি।



## মালেসিয়াদা মীরৈবাক্কী শিন্মী লৌবা থিংখ্রে



কুলা লম্পুর, মার্চ ১৩ (এজেন্সী) ঃ

বাংলাদেশ মচা মিলিয়ন ১.৫বু মালেসিয়াদা পুশিন্দুনা থবক শুহন্নবগী ৱারেপ অমা পাক শন্না ক্রিটিসাইজ তৌনরকখিবগা লোয়ননা মালেসিয়ানা ঙসি অনৌবা ফোরন ৱার্করশিং রিক্রুট তৌবা থিংজিনখ্রে। কুলা লম্পুরনা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসিনা ইন্দিয়াগী শিন্মীশিংদা শোকহনবা য়াই হায়রি।

"লৈবাক অসিদা অনৌবা ফোরন ৱার্কর মিলিয়ন ১.৫ চঙহল্লকপগী ৱাফমদি থমখ্রগা মীরৈবাক মচা ৱার্কর অমত্তা চঙহনবগী ৱাফম লৈতে" হায়না মালেসিয়াগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অহমদ জাহিদ হমিদিনা হায়খি।

লৈবাক অদুগী হোম মিনিষ্টরসু ওইরিবা অহমদ জাহিদনা হায়খি, থবক লৌবা পাম্বা ইমপ্লোয়রশিংনা মীরৈবাক্কী ৱার্করশিং নেক্লিংলবদি হান্নদগী মালেসিয়াদা লৈরক্লবা ফোরন ইমপ্লোয়ীশিংদগী রিক্রুট তৌগদবনি। খোঙথাং অসি মালেসিয়াদা থবক শুহন্নবা বাংলাদেশি মিলিয়ন ১.৫ পুশিন্নবগী ৱারেপ অমা লৈবাক শিন-থুংনা ক্রিটিসাইজ তৌনরকপদগী লৌখৎলক্লিবনি। লৈবাক অসিনা মসিগী মেন্যুফেকচরিং অমসুং কন্সট্রক্সনগী সেক্টরশিংদা মতেং পাংহন্নবা ইন্দিয়া, ইন্দোনেসিয়া অমসুং বাংলাদেশতগী ৱার্কর কয়া হান্নদগী পুশিন্দুনা লাকখিবনি।

মালেসিয়ন অয়াম্বদি সেক্টরশিং অসিদা থবক শুবা পাম্নদে হায়রি।

"ৱার্করশিং লৌবা পামবা ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক্কী পার্মিটশিং পায়দনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নৎত্রগা পার্মিটকী মতম লোইখ্রবা মীরৈবাক মচাশিংবু লিগেলাইজ তৌনবা চে থাবা তাই" হায়না মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়খি।

অহমদ জাহিদনা হায়খি, ইমপ্লোয়রশিংনা অসিগুম্বা ফোরন ৱার্করশিং জুন ৩০ ফাওবগী মনুংদা লিগেলাইজ তৌগদবনি।

"গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা দিসেম্বর ৩১দগী দেদলাইন অমুক হন্না শাংদোক্লে মরমদি ইমপ্লোয়রশিংনা মখোয়দা পীরিবা চান্সশিং অদু থৌওই ৱাওইদে" হায়না লোকল মিদিয়ানা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

"মখোয়দা পীরিবা খুদোংচাবা অসি লৌবগী মহুত্তা গভর্ণমেন্টবু ক্রিটিসাইজ তৌই অমসুং প্রেসর পী। মখোয়না মখা তানা মী নেকপা ঙমদবা তারবদি মালেসিয়ন ইমপ্লোয়র্স ফেদরেসন, ফেদরেসন ওফ মালেসিয়ন মেন্যুফেক-চর্স অমসুং মালেসিয়ন ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী মতেং লৌদুনা থবক তৌহন্নবা লোকলশিং থিনবা হোৎনগ-দবনি" হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

## 'এফ-১৬শিং ঐখোয়গী মায়োক্তা শীজিন্নরক্কনি'

জিনেভা, মার্চ ১৩ (এজেন্সী) ঃ

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস গভর্ণমেন্টনা পাকিষ্টানদা এফ-১৬ ফাইটর জেট য়োন্নবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংবু য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সীল অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা বেলোচকী মীহুৎ অমা ওইরিবা মেহরম মেরিনা কন্দেম তৌখ্রে। য়ু এসনা পীশিল্লক্কদৌরিবা ফাইটর জেটশিং অদু বেলোচ মীয়ামগী মথক্তা শীজিন্নরক্কনি হায়রদুনা মহাক্না ৱাশিংটনগী খোঙথাং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।



পাকিষ্টান গভর্ণমেন্ট অমসুং মিলিটরিদা খুৎলাই অমসুং এম্ম্যুনিসন য়োনবা মরু ওইনা চীংগী লমদমদা শীজিন্নবদা খুদোংচারবা এফ-১৬ য়োনশিনবগী খোঙথাং অসি ঐখোয়না কন্দেম তৌই, মরমদি ইস্লামাবাদনা মখোয় অদু বেলোচ মীয়ামগী মথক্তা শীজিন্নে হায়না মেহরাননা হায়খি।

মাঙহন-তাকহনবা ঙম্বা খুৎশু খুলাইশিং পাকিষ্টান মিলিটরিদা হেন্না য়োনশিনবা হায়বসি অৱাবগী মশকনি অমসুং অমুবা নুমিৎনি হায়না লৌবা য়াই। বিল লাদেনগী মতমদা অমেরিকা অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না বিল লাদেনবু কোইথি থীদুনা লোইশিন্নবা পাকিষ্টানগী মিলিটরিদা খুৎশু-খুলাই পৈদুনা পীশিনখি। তৌইগুম্বসুং বিল লাদেনদি অবোতাবাদতা মখোয়গী মতম্বাক্তা ইরেঞ্জনা ফমদুনা লৈরম্বা ঐখোয়না খঙলকখি" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বেলোচকী মায়কৈদা খুৎশু-খুৎলাই কয়া শীজিন্নদুনা লাকখিবা ইস্লামাবাদনা হৌজিক অমুক মখোয়গী মায়োক্তা খুৎলাইশিংদু শীজিন্নরকপা য়াই হায়না মেহরাননা অকিবা ফোঙদোকখি।

দিল অদু ফাইনেলাইজ তৌনবগী মায়কৈদা অচৌবা খোঙকাপ অমা থাংজিল্লদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা মার্চ ৬তা পাকিষ্টানদা এফ-১৬ ফাইটর জেট নিপান য়োন্নবা নোটিফিকেসন অমা হৌনবী মতুং ইন্না থোকখিবনি। নোটিফিকেসন অদুনা দিল অদুগী অপুনবা শেনফম অদু দোল্লর মিলিয়ন ৭০০ লোমনি হায়না চাউরাক্না মমল লেপলি।




## EMPLOYMENT NEWS

### CREATIVE SOLUTION CAREERS 2016

**Posted On 19-02-2016**

**Creative Solution Careers 2016:** Creative Solution India Pvt Ltd is providing the Hosting & Servers, Merchant Accounts, Mobile Apps, Social Marketing, creating the websites such as Domain Control password and Website password, satisfies Clients requirements with low Cost.

**(0 – 0 years) C/ C++ Developer Posts in Bangalore:**
Creative Solution India Pvt Ltd is Looking for Freshers for the profession of C/ C++ Developer to work at Bangalore. Graduation, Post Graduation and Doctorate candidates are eligible.
**Job Summary:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Experience:** 0 – 0 years
**Education:** Any Graduation/ Any Post Graduation/ Any Doctorate
**Location:** Bangalore
**Industry:** IT Services/ Software Services
**Role:** Software Developer
**Key skills:** C++ Development
**Job Description:**
Candidates should be expert in C++ Development and Good communication skills.

**Posted On 15-02-2016**

**Creative Solution Careers 2016:** Creative Solution India Pvt Ltd is providing the Hosting & Servers, Merchant Accounts, Mobile Apps, Social Marketing, creating the websites such as Domain Control password and Website password, satisfies Clients requirements with low Cost.

**(0 – 0 years) Java Developer Openings in Bangalore:**
Creative Solution India Pvt Ltd is going to recruit the young talented candidates for the profession of Java Developer to work at Bangalore. Graduation, Post Graduation and Doctorate candidates are eligible.
**Job Summary:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Experience:** 0 – 0 years
**Education:** Any Graduation/ Any Post Graduation/ Any Doctorate
**Location:** Bangalore
**Industry:** IT Services/ Software Services
**Role:** Software Developer
**Key skills:** Java
**Job Description:**
**Candidates should be expert in Java Development and Good communication skills.**

**Posted On 15-02-2016**

**Creative Solution Careers 2016:** Creative Solution India Pvt Ltd is providing the Hosting & Servers, Merchant Accounts, Mobile Apps, Social Marketing, creating the websites such as Domain Control password and Website password, satisfies Clients requirements with low Cost.

**(0 – 0 years) C/ C++ Developer Vacancies in Bangalore:**
Creative Solution India Pvt Ltd is seeking the young talented candidates for the profession of C/ C++ Developer to work at Bangalore. Graduation, Post Graduation and Doctorate candidates are eligible.
**Job Summary:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Experience:** 0 – 0 years
**Education:** Any Graduation/ Any Post Graduation/ Any Doctorate
**Location:** Bangalore
**Industry:** IT Services/ Software Services
**Role:** Software Developer
**Key skills:** C++ Development
**Job Description:**
*Candidates should be expert in C++ Development and Good communication skills.*

**Posted On 15-02-2016**

**Creative Solution Careers 2016:** Creative Solution India Pvt Ltd is providing the Hosting & Servers, Merchant Accounts, Mobile Apps, Social Marketing, creating the websites such as Domain Control password and Website password, satisfies Clients requirements with low Cost.

**(0 – 3 years) C#, Asp.Net Developer Vacancies in Bangalore:** Creative Solution India Pvt Ltd is recruiting the young talented candidates for the profession of C#, Asp.Net Developer to work at Bangalore. Graduation, Post Graduation and Doctorate candidates are eligible.
**Job Summary:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Experience:** 0 – 3 years
**Education:** Any Graduation/ Any Post Graduation/ Any Doctorate
**Location:** Bangalore
**Industry:** IT Services/ Software Services
**Role:** Software Developer
**Key skills:** Asp.Net, VB.Net
**Job Description:**
*Candidates should be expert in Asp.Net, VB.Net and Good communication skills.*

**Posted On 15-02-2016**

**Creative Solution Careers 2016:** Creative Solution India Pvt Ltd is providing the Hosting & Servers, Merchant Accounts, Mobile Apps, Social Marketing, creating the websites such as Domain Control password and Website password, satisfies Clients requirements with low Cost.

**(0 – 2 years) Software Testing Engineer Posts in Bangalore:** Creative Solution India Pvt Ltd is Looking for talented candidates for the profession of Software Testing Engineer to work at Bangalore. Graduation, Post Graduation and Doctorate candidates are eligible.
**Job Summary:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Experience:** 0 – 2 years
**Education:** Any Graduation/ Any Post Graduation/ Any Doctorate
**Location:** Bangalore
**Industry:** IT Services/ Software Services
**Role:** Testing Engineer
**Key skills:** Manual Testing, Software Testing, Automation Testing
**Job Description:**
*Candidates should be expert in Manual Testing, Software Testing, Automation Testing and Good communication skills.*
**Contact Details:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Website:** www.creative-solutions.co.in